**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20.6-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২০.৬-২০২৪,য়ুমশকৈশ)**
--**সিগনেচর ট্যুন**--
**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মনিপুরগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা মীফম পাঙথোক্লুবা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে।

২) রাজ্য অসিগী চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থীবা হুন্বগী থবক চত্থরি, খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপসু লেপত্রি।

**অমসুং**

৩) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌদুনা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা য়ু.জি.সি নেট পারিক্ষা ২০২৪, চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

--**ট্যুন**--

**সি.এম(এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা ন্যু দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা মীফম পাঙথোক্লুবা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি.জি.পি রাজিব সিংহগা ঙরাং ইম্ফালদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েত্তা উন্নখিবা অদুদা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অহুম মীফম অদুদা মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা লৈঙাক শাশনগী ওইনা লৌখৎপা য়াবা খোংথাংশিংগী মতাংদা খন্নরকখিবা অদু মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী লমজিং মখাদা মনিপুরগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা মরি লৈনবা ষ্টেকহোলদর খুদিংমক্কা ৱারি শান্ননবা থৌরাং য়াৎপা হৌরে।

**সেক্যুরিতি(এল)ঃ**রাজ্য অসিগী চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থীবা হুম্বগী থবক চথুরি, খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপসু লেপত্রি। মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়াঙ্গোই এরিয়াদা থীবা হুম্বগী থবক চথুবদা এস.বি.বি.এল নোংমৈ অনি, মেগজিনগা লোয়নবা করবাইন অমনা, হেন্দ গ্রেনেট ১২, দিতোনেতর ৭, ট্যুব লোঞ্চিং ৬, স্মোক হেন্দ গ্রেনেট ২, ৱাইয়রলোস সেট অমা অমসুং নোংমৈ মরু কয়া মরুম ফাগৎলে।

অমরোমদা, ঙরাং কে.সি.পি (নোয়োন)গী মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্টতগী ফারে। মঙোন্দগী লুপা লাখ ১ লিশিং ১৫ য়াওনা অতৈ পোৎলম খরসু ফংলে। মহাক সরকারগী ওফিসশিং অমুং স্কুলশিংদগী নমদুনা পৈশা খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। নহানসু ককচিং জিলাদসু কে.সি.পি (নায়োন)গী মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয়দগী দিমান্দ লেতরশিং মোবাইল ফোন অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে।

মরক অসিদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ১৬৩ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ২৯৭ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল লোমদা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**কার্ফিউ (এল)ঃ** নৌনা উংখৎনবগী ইরাং নংলবা ঙমখৈ জিলা জিরিবামগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াদা ঙসিগী ওইনা অয়ুক ৯ দগী নুংথিল পুং ১ মখায় ফাওবা কার্ফিউ কোমথোক্কনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা জিরিবামগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মাজিস্ত্রেদনা হুকুম অমা থোকখ্রে।

**ওপরেসন(এল)ঃ** নৌনা শাবা ষ্টেট ওফ দি আর্ট মোদুলর কারদিয়াক ও.টিদা রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাথয়া করিয়াক্রম, নেসনেল হেলথ মীসনগী মখাদা রিজনেল পেদিয়াত্রিক কারদিওথোরাসিক য়ুনিটকা রিমস হোস্পিতালগা পুন্না খুৎশমদুনা অহানবা ওইনা লেমা অমদি মায়পাকা হার্টকী ওপসরেন পাঙথোকখ্রে। রিমসকী প্রোফেসর থোকচোম চিতোনা লুচিংবা কারদিওথোরাসিক সার্জরিগী টিম অমনা চহি ৩ অমসুং ৬ খক্তা ঙাইরিবি নুপী মচা অনি হৌখিবা থা অসিগী ১১ দা ওপরেসন অদু মায়পাকা পাঙথোকখিবনি। মখোয় অনিমক ঙরাং দিচার্জ তৌখিবনি।

রাজ্যগী ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর ডা: সোমোজিট নিংঙোম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- অনাবশিংনা শেল চংদনা সরকারগী লায়েংশঙ অমদা মায় পাকা হার্টকী ওপরেসন তৌখিবা অসি মনিপুরগী হেলথ কিয়র দিলিভারি সেস্তিমগী ইতিহাসতা অনৌবা পন্দুপ অমা ওইরগনি।

**লম্বী(এল)ঃ**ফীভম ফত্তনা লৈরিবা ৱাবগাই লমখায়দগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী এম.এল.এ ডা: য়ুমাম রাধেস্যামগী লমজিং মখাদা ঙরাংদগী শেমজিনবা হৌখ্রে।

লন্থী শেন্থগী থবক অদু হৌদোক্লদুনা ডা: রাধেস্যামা হায় - লন্থী অসি মতম শাংনা শেল্লক্তবদগী ফীভম য়ামা ফত্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লন্থী অসিদা এক্সিদেন্ত থোকপা ফাওবা য়াওরে। মরম অদুনা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা লন্থী অসি শেমজিনবা হৌনবা থবক পায়খৎলকপনি।

**প্রোগ্রাম (এল) ঃ** ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোতেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা ঙসি ন্যু ক্রিমিলে লো অহুমগী মতাংদা মাস্তর ত্রেন্নরশিংগী সেমিন্নর কেপ ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী লো এন্দ লেজিসলেতিব এফ্যারস দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা চিফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি,দি.জি.পি রাজিব সিংহ য়াওনা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি।

**শান্নবা(এল)ঃ** দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চথরিবা ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফ্রষ্ট দিভিজন ফুটবোল গিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.দি.ও পলেননা দি.ৱাই.এল এলাংখাংপোকপীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**নেটঃ** নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌদুনা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা য়ু.জি.সি নেট পারিক্ষা ২০২৪ অদু চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রে। পারিক্ষা অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা নেসনেল সাইবর ক্রাইম থ্রেট এনালাইতিক্স য়ুনিট ওফ ইন্দিয়া সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্তরদগী য়ু.জি.সিদা পীখৎলকপা ৱারোলশিং কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না ঙরাং পারিক্ষা অসি চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

ৱাথোক অসি সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেস্তিগেসন (সি.বি.আই)দা মখা

তানা থিজিলহন্নবা শিন্নখ্রে। পারিক্ষা অসি নৌনা পাঙথোকবগী চেরোল তোঙাননা থোক্লগনি হায়রি।

**অসাম ঃ** অসামগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তনা চুবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। রাজ্য অসিগী জিলা ১৫ গী মীওই লাখ ১ মখায় হেন্না ঈচাউগী অৱাবা ময়োকরি। করিমগঞ্জ জিলাদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৫ লৈখিদ্রে। জিলা অসিগী স্কুল পুমমক ঙসি ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

গুৱাহাতি সহরদসু ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়ামা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

অমরোমদা, ঈচাউনা অৱাবা তারবা সিক্কিমদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক মপুং ফানা চত্থরি। রাজ্য অসিগী মানগান জিলাগী লাচুং অমসুং চুংথাংদা ঈচাউগী ফীভম লুনা লৈরি। ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা লম কোয়বা মীওই লিশিং ১,৩০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে। মখা তানা লম কোয়বশিং থাংদোকপগী থবকসু হৌজিক চত্থরি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক হৈরাংখোংজম ভাবন লৈরে--**

**-ভাবন-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা মীফম পাঙথোক্লুবা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে।

২) রাজ্য অসিগী চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থীবা হুম্বগী থবক চথরি, খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপসু লেপত্রি।

**অমসুং**

৩) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌদুনা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা য়ু.জি.সি নেট পারিক্ষা ২০২৪, চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-কিরন**

**মনিপুরদা** ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা - পোলিতেকেল পার্টি ১০ গী মীহুৎ কাংবুনা গভর্নর অমসুং চিফ মিনিস্তরগা উন্নখিবা,মনিপুরগী মরম দা খন্ননবা চিফ মিনিস্তর দিল্লিদা কৌরকপা য়াই হায়বা, ৱার্কস মিনিস্তর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙরাং পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্সকী পাউ - **তোঙান তোঙানবা** হেদলাইন তৌদুনা পাউচেশিংদা ফোংনরি ।

সনা লৈবাক্তা - শোইখিবা পোলিসিশিং শেমদোকবা হোৎনগে হায়না চিফ মিনিস্তরনা পোলিতিকেল পার্টি ১০ দা থেল্লম্বা ৱাফম অহানবা দেহলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা - **নুমিৎ** ১০ নিরোমগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরকবা লম্বী অমা উরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা দেহলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরগী লান লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পোরকউ হায়দুনা পার্টি ১০ না গর্ভ্নর অমসুং সি.এমদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউ পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরি , পিপলস ক্রোনিকেল, মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, তমেংলোং টাইমস, দ-চার্ম, গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাং খন্ননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা চিফ মিনিস্তর অথুবদা দিল্লিদা কৌরক্লবা য়াই হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা মনিপুর নিউতা ফোংলি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।        পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউনচিংবদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দিল্লিগী মীফম এগজিকুত্যিবকী মীফম ওইবনা চিফ মিনিস্তর য়াওখিদবনি হায়না ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি । পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর নিউজ, সনা লৈবাক , ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হকচাং শোকিংঙাই ওইবা চীঞ্জাক চাবনা মীয়ামগী নোংমগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং মায়োকহল্লি , লায়না ২০০ রোম মসিদগী পোকহল্লি হায়না হেলাথ মিনিস্তর সাপম রঞ্জননা        ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - দেসামগী থৌমী ৩ ফাজিনখিবা অদু সি.জে.এম ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেল পিখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কাংপোকপী জিলাদা খারম থাদোই ভিলেজকী চিফ অমসুং মচা নুপা খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিল্লুরে হায়বা পাউ ইম্ফাল প্রি প্রেস , হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওহবা পাউ ওইনা ফোংলি।

--কিরন--